মাস্ক উপ্পুনা, হকচাং খজিক লাপ্পনা লৈনদুনা ২১শুবা চহীচা অসি ইন্দিয়াগী ওইনবগী মঙখিবা মঙলান অদু মঙফাওনহনসি

থাজবা : “সেল্ফ রিলাইন্ট ইন্দিয়া”- ইরৈচা ক্রোর ১৩০না অমত্তা ওইবগী থৌদাং লৌমিন্নদুনা চৎমিন্নরবদি ২১শুবা চহীচা ইন্দিয়াগী শোয়দনা ওইগনি

শুপ্নগী হুইয়েন
লানপাউদা লৈবাক অসিগী শক্লাইরবা
মীওইশিংগী অখন্নবা ৱাখল্লোল

নরেন্দ্র মোদি



প্রাইম মিনিষ্টর
ত্বিটর : @narendramodi

কোরোনাগা লান্থেংনরকপা থা মঙা হেঞ্জিল্লক্লে। মালেমগী ওইনা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা মীশিং ক্রোর অনী হেনখ্রে। মীওই লাখ নীপান হেনবনা লায়চৎ অসিনা মরম ওইদুনা লৈখিদ্রে। লৈবাক অসিগী মীওই কয়াসু মখোয়গী নুংশিরবা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংগা মতম পূন্নবগী ওইনা শেৎন-খায়নহনবা হায়বদু ওইরে। পূন্নমক্কী অৱাবদা শরুক য়াজরি। ভাইরস অমনা মালেমগী লৈবাক খুদিংমক্তা অচৌবা মাং-তাকপা থোকহল্লে। অদুবু ৱাবা, শোন্থবা, ককঙাওনবা মীওইবা অমা ওইনা তৌফম থোক্তে।

নুংশিজরবা ইরৈচাশিং, হৌখিবা চহী কয়াগী মমাংদগী খঙনদুনা-তাদুনা লাক্লবনি মদুদি ২১ শুবা চহীচা শুপ্নগী ইন্দিয়াগীনি। কোরোনানা মালেমদা পীরিবা চৈথেংশিং ঐখোয় পূন্নমক্না উরে অমদি খঙলে। ওইরিবা মতম অসিগী ফীভমশিং অসিগী মরক্তা লৈবাক অসিগী ওইবা তোঙানবা মীৎয়েংদা ২১শুবা চহীচা ইন্দিয়াগী ওইহনসি হায়রগদি মঙলান অসি শুপ্নগী ঐখোয়গী মঙলান খক্তা নত্তে, লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক্কী থৌদাং অমসুনি। অদুবু মসিগী লম্বী করম্বা লম্বীনা ওইগনি? মালেমদা হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিনা তাকপীরি মদুদি মঙলান অদু ফংনবগী অমত্তা ঙাইরবা লম্বীদি “আত্মানির্ভর ভারত” (সেল্ফ রিলাইন্ট ইন্দিয়া)না ওইগনি।

খুদম অমগা লোয়ননা ঐহাক মখা তানা হায়বা পাম্মী। কোরোনাগী লাইচৎ হৌরকপা মতমদা ইন্দিয়াদা পি পি ই কিট অমত্তা শারমদে। এন-৯৫ মাস্কসু শুপ্নগী লৈবাক অসিদা মমিং খক্তগী ওইনা শারম্মী। অদুবু হৌজিক লৈবাক অসিদা নুমীৎ খুদিংগী পি পি ই অমদি এন-৯৫ মাস্ক লাখ অনী-অনী হেন্না শাদুনা পুথোক্লি। পূন্নমক অসি ঙম্লকপগী অচৌবা মরমদি লৈবাক অসিগী মীয়াম্না কোরোনাগী অৱাবা মতমবু ওপোরচুনিটিদা ওন্থোকপা ঙম্মননি। ঙসি মালেমদা আত্মানির্ভর ৱাহৈগী ৱাহন্থোক্তা অওনবা লাক্লে। গ্লোবল ৱর্ল্ডগী ওইনসু সেল্ফ রিলাইন্টগী ৱাহন্থোক হোংখ্রে। ইকোনোমিদা য়ূম্ফম ওইবা গ্লোবলাইজেসন অমদি মীওইবদা ফোকস তৌবা গ্লোবলাইজেসনগী মতাংদা মালেম শিনবা থুংনা ঙাঙন-শক্করি। মালেমগী মীৎয়েংদা ইন্দিয়াগী মরুওইবা ৱাখল্লোলবু উরগা থাজবগী মঙাল অমা লাক্লি। ইন্দিয়ানা সেল্ফ রিলাইন্টগী মতাংদা ৱারী শাবা মতমদা ওটিজম সিষ্টমগী মতাংদা ৱারী শাদে। ইন্দিয়াগী সেল্ফ রিলাইন্টদা মালেমগী নুংঙাইবা, মতেং পাংনবা অমদি ঈং-তপ্পগী ৱাফম য়াওরি। ইন্দিয়াগী ওইনা অহাংবা মফমশিংদা মতম অমদা খোঙ হাম্বগী চৎনবী লৈরম্বা অদু হৌজিক মুৎখিবদগী মালেমনা ইন্দিয়াদা য়েংলম্বা মীৎয়েং হোংখ্রে। ইন্টরনেসনল সোলর এলায়ন্স, গ্লোবল ৱার্মিংগী মায়োক্তা ইন্দিয়ানা অচৌবা মতেং কয়া তৌবা লৈখ্রে। ইন্টরনেসনল য়োগ দেনা মীওইবগী পুন্সিদা লৈরম্বা অৱাবশিং কোকহন্নবা হোৎনবদা অচৌবা খুদোল অমা ওইনা পীখিবনি। হীংবা অমদি শিবগী মরক্তা লান্থেংনরিবা মালেমগী মীওই কয়াদা ঙসি ইন্দিয়ানা হীদাক কয়া পীদুনা অনৌবা অচৌবা থাজবা অমসু পীরি। অসিগুম্লবা খোঙথাংশিং অসিনা মালেমগী মফম কয়াদা ইন্দিয়া লৈবাকপু থাগৎনরি। মরম অদুনা ইন্দিয়াগী মীওইশিংনা চাওথোকচবসু ঙমজরিবনি। মালেমগী লৈবাক কয়ানা ইন্দিয়াদা থাজবা হৌরক্লে মদুদি ইন্দিয়া হীরম খুদিংদা অচৌবা থবক তৌবা ঙমগনি। অদুবু ঙসিসু অচৌবা ৱাহং অমদি অদুমক লৈরি মদুদি হায়রিবা থবকশিং অসি মতৌ করম্না পাঙথোক্কনি? ৱাহং অসিগী পাওখুমসু লৈ মদুদি - লৈবাক অসিগী মীওই ক্রোর ১৩০না দিটরমিনেসন অমগা লোয়ননা পাঙথোক্লবদি সেল্ফ রিলাইন্ট ইন্দিয়া হায়বদু ওইবা ঙমগনি।

নীংশিঙবিয়ু, সেনচুরি অসিগী হৌরকপা মতমদা ৱাই টু কেগী অৱাবা তাঙ্কক অমা থেংনখি। ইন্দিয়াগী টেক্নোলোজি এক্সপার্টশিংনা মালেমগী অদুগুম্লবা অৱাবা অদুদগী কনবা ঙমখিবনি। ইরৈচাশিং, ঐগী ইমিৎনা তমথিরবা কচ্ছগী য়ুহা হাবা উখি। মায়কৈ খুদিং নীংখাইরবা ব্যুল্ডিংশিং। মতম অদুদা কনা অমত্তনা খল্লুবা লৈতে মদুদি ফীভম অদুদগী ঙসি ওইরিবা ফীভম অসিদা অমুক হন্না ওইরক্কনি হায়বা। ঙসিদি তপ্না-তপ্না কচ্ছদা য়াইফ-নুংঙাইবা চাওখৎপা হায়বদু ওইরে।

মরুপশিং, সেল্ফ রিলাইন্ট ইন্দিয়াগী অচৌবা ব্যুল্ডিং অসি য়ূম্বী মঙাদা য়ূম্ফম ওইরগা শাগৎপা য়াই। অহানবদা পিলর ইকোনোমি হায়বদি ইনক্রিমেন্টল চেঞ্জ ওইদনা ক্বান্টম জম্প লাকহনবা। অনীশুবদা পিলর ইনফ্রাষ্ট্রকচর ওইহন্দুনা মোর্দন ইন্দিয়াগী তোঙানবা শক্তম অমা শাগৎপা। অহুমশুবদা ঐখোয়গী সিষ্টম - সিষ্টম অসিদা থাইনদগী চৎনরক্লবা সিষ্টম থাদোক্লগা অনৌবা ২১শুবা চহীচাগী মঙলানবু মঙফাওনহন্নবা ঙমগদবা টেক্নোলোজি দ্রিবন সিষ্টম ওইনবা হোৎনবা। মরীশুবা পিলর - ঐখোয়গী দেমোগ্রাফি - মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা দেমোক্রেসি চৎপা ইন্দিয়াগী ভায়ব্রন্ট দেমোগ্রাফি ঐখোয়গী শক্তিনি। সেল্ফ রিলাইন্ট ইন্দিয়াগীদমক মদুনা ঐখোয়গী ইনজিগী হৌরকফম ওইগনি। মঙাশুবা পিলর - দিমান্দ - ঐখোয়গী ইকোনোমিদা দিমান্দ অমসুং সপ্লাই চেনগী চক্রবু পৱার ওইনা শীজিন্নদুনা মপুংফানা মথৌ তৌবগী তঙাইফদবা লৈ।

ইরৈচাশিং, এক্সপার্ট অমদি সাইন্টিষ্টশিংনা হায়বা লৈ মদুদি কোরোনা ঐখোয়গী পুন্সিগা লোয়ননা মতম শাংনা লৈমিন্নবা হায়বদু ওইগদৌরি। অদুবু মসি হায় হায়দুনা ঐখোয়গী পুন্সি শুপ্নগী কোরোনানা মরম ওইদুনা চাওখৎপগী লম্বী থেংথহনবদি য়ারোই। ঐখোয় মাস্ক উপ্পুনা, খরা-খরা লাপ্পদুনা লৈশি অদুবু ঐখোয়গী মঙলানশিং অদুদি কৈদৌঙৈদা লাপথোকহনবা য়াদে। কোরোনাগা লন্থেংনবগা লোয়ননা মাং থাদুনসু চৎকনি।

ঐখোয়গী নাক্তা লৈরিবা পোৎশক অদুবু কন্ট্রোল তৌবগা লোয়ননা চৎপা অদুনা নুংঙাইবা পুন্সি হায়বদু ওই। সেল্ফ রিলাইন্টনা ঐখোয়বু নুংঙাইবা অমদি চাওখৎপা পীবগা লোয়ন-লোয়ননা পাঙ্গলসু হাপ্পী। ২১শুবা চহীচা ইন্দিয়াগী ওইনবা সেল্ফ রিলাইন্ট ইন্দিয়াগী ৱাশক ঐখোয় পূন্নমক্না লৌমিন্নদুনা তৌদবা য়াদবা থৌদাংনি খল্লগা হোৎনমিন্নরবদি শোয়দনা মায়পাকপা ঙমগনি। লৈবাক অসিগী মীওই ক্রোর ১৩০গী থৌনাশিংদগী মপুংফাবা ইনর্জি ফংগনি। সেল্ফ রিলাইন্ট ইন্দিয়াগী চহীচা অসি, ইন্দিয়ান খুদিংমক্কী অনৌবা ৱাশক ওইগনি, অনৌবা হরাউ-নুংঙাইবা কুম্হৈসু ওইগনি।

মীতৈলোলদা : ডা. খাইদেম অথৌবা

ষ্টেটকী পাউ

য়েলেম বিরজিৎতা এটেক চথখিবগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিনখ্রে

ত্রিপুরা, ওগষ্ট ২৭ (ঐচ এন এস):

ত্রিপুরাগী পোলিটিক্সকী লম্‌দা মীয়াম্না থোইদোক্লা শকখঙলবা মৈতৈ মচা হান্না মিনিষ্টর ওইরম্বা য়েলেম বিরজিৎ অমদি মহাক্কী সিক্যুরিটি এস্কোর্টকী মথক্তা লান্দারকখিবা থৌদোকপু মণিপুরী কাউন্সিল ত্রিপুরা অমসুং ওল ত্রিপুরা মণিপুরী ষ্টুদেন্টস এন্দ য়ুথ কো-ওর্দিনেসন কম্মিটিনা অকনবা মওংদা প্রোটেষ্ট তৌখিবগা লোয়ননা থৌদোক অসিদা চেন্নবা মীওইশিং ফাদুনা চৈরাক পীনবা তকশিনখ্রে।

রাধানগর মৈতৈ খুঞ্জাওদা ঙসি নুংথিল পাঙথোকখিবা মীফম অমদা কাউন্সিলগী সেক্রেটরি কে ধিরেননা লমদম অসিদা মশীং লিক্লা তাবা ঐখোয়বু মরম খূদিংদা মীরাইবীদুনা থম্বীরে হায়না ৱাকৎখি। অগরটালাদা মৈতৈ মচাগী মথক্তা লান্দাখিবা থৌদোক কয়া থোকপা য়াওখ্রে। ত্রিপুরা সেন্ট্রেল য়ুনিভর্সিটিদা থবক তৌবী নুপীমচা অমবুসু হরাসমেন্ট তৌবা য়াওখ্রে। অদুবু জষ্টিস ফংখিদে। ত্রিপুরাগী পোলিটিক্সতা মতম শাংনা ৫রক হন্না এম এল এ ওইরম্বগী মথক্তা মিনিষ্টরসু ওইবীরম্বা মৈতৈ মচা বিরজিৎকী মথক্তসু ঙরাং লান্দাখ্রে। হৌখিবা মতমদা মৈতৈ মচাশিংগী মথক্তা চথখিবা থৌওংশিংগা মরী লৈনবা থৌদোক অমত্তগী জষ্টিস ফংদ্রি। পোলিটিকেলগী লুচিংবা ওইরবসু মৈতৈ মচা বিরজিৎকী মথক্তা এটেক তৌবসি য়ানিংদে হায়না প্রোটেষ্ট তৌখি। মীফম অদুদা ওল ত্রিপুরা মণিপুরী ষ্টুদেন্টস এন্দ য়ুথ কোওর্দিনেসন কম্মিটিগী থৌবুরেন য়াম্বেম প্রাবিনসু ৱা ঙাঙখি।

অগরটালাদগী কাইলাশাহর চৎপা লম্বী জিরানিয়াগী মাধব বারিদা মহাক্কী সিক্যুরিটিগী কাঙবুশিংনা হোটেল অমদা চাক চারিঙৈদা শকখঙদব-শিংনা লান্দারকখিবনি। মদুদা সিক্যুরিটিগী মীওই খরা অশোক-অপন নংখি।

পুলিসনা কেস লৌখৎপীদ্রে : জে সী সী দল্লিয়ু বি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৭ (ঐচ এন এস):

য়ূমদা নুংশিনা য়োক্লগা থম্বা হূই অমবু খুল অমত্তদা লৈমিন্নবা মীওই অমনা সিঙ্গল বেরেল নোংমৈনা কাপ্লগা হাৎপগী থৌদোক অমা পাউচেদা হাপ্লকই হায়দুনা খুল অদুগী ভিলেজ ওথোরিটিনা হূই মপূ অমসুং অতোপ্পা ইমুং অমগী মীওইশিং খুলদগী তান্থোকপীরে।

ভিলেজ ওথোরিটি অদুগী মথক্তা লোগী ওইবা চৈরাক পীনবা মরী লৈনবা হৈঙাং পুলিস ষ্টেসনদা ৱাকৎলবসু তাবীদ্রে। থৌদোক অদুগী মতাংদা করিগুম্বা মখল অমত্তগী এক্সন লৌখৎপীদ্রে হায়দুনা জোইন্ট কো-ওর্দিনেসন কম্মিটি ওন ৱাইল্ডলাইফ বাইওদাইভর্সিটিগী কোকনভিনর সপনা লাইশ্রমগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

মীফম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৭ (ঐচ এন এস):

মণিপুর য়ুথ ফ্রন্ট ওফ অসাম (এম ৱাই এফ এ)না মণিপুরী লোলগী মতাংদা চথরকপা এৱ্যেরনেস কেম্প্যেনগী শরুক অমা ওইনা ঙসি কছার দিষ্ট্রিক্তকী বোরখোলা কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মোদুরা খুলদা পাওনম দোয়ামোনিনা মীফম মপূ ওইদুনা ৬৬শুবা মণিপুরী লোলগী এৱ্যেরনেস কেম্প্যেন পাঙথোকখ্রে।

কেম্প্যেন অদুগা মরী লৈননা এম ৱাই এফ এগী প্রসিদেন্ট সেরাম হেরাজিৎনা হায়খি, অসামদা মতম কয়াগী মমাংদগী মৈতৈশিংনা খুদ দাদুনা লৈরক্লে হায়বসি পুৱারীনা খঙনরবা ৱাফমনি। মণিপুরী ঐখোয়গী ইমালোলবু মুথৎনবা হোৎনরকপদা ঐখোয়না তুমিন্না লৈবা ঙম্লোই হায়নসু ফোঙদোকখি।

মণিপুরী লিটরেরি এন্দ কলচরেল ফোরম অসামগী ফাউন্দেসন দে থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৭ (ঐচ এন এস):

মণিপুরী লিটরেরি এন্দ কলচরেল ফোরম অসাম (এম এল সী এফ এ) গী অহানবা ফাউন্দেসন দে থৌরম পাঙথোকখ্রে।

ফোরম অসিগী প্রসিদেন্ট ৱাই মনিহার অমসুং জেনরেল সেক্রেটরি এ কুঞ্জমোহোননা পূন্না খূৎয়েক পীরগা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, এম এল সী এফ এগী প্রসিদেন্ট ৱাই মনিহারনা ফিরাল চিংখৎতুনা ফাউন্দেসন দেগী থৌরম অদু হৌদোকখি।

থৌরম অদুদা অইবা লূপ অসামগী জেনরেল সেক্রেটরি এল গুলাপনা চীফ গেষ্ট, লূপ অসিগী প্রসিদেন্ট ৱাই মনিহারনা মীফম মপূ অমসুং মণিপুরী ৱিমেন লিটরেরি এন্দ কলচরেল ওর্গনাইজেসন অসামগী জেনরেল সেক্রেটরি ৱাই রেনুকানা স্পেসল গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখি। মীফম অদুদা অসামদা হৌজিক ওইরিবা লোলগী প্রোব্লেমগী মতাংদা কুপ্না খন্ন-নৈনখি। ৱাঙাংলোয় ওইখিবশিংনসু মণিপুরী লোলগী মতাংদা অসাম গভর্ণমেন্টনা চথরক্লিবা থৌওং অসি য়ানিংদবা অমদি পেন্দবা ফোঙদোক্লখি।

মীফম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনসু তোঙান-তোঙানবা ৱারেপ কয়া লৌখি। ৱারেপশিং অদুদি কুমজা ২০১৯গী ওগষ্ট ১৫দা থোকখিবা অসাম লৈঙাক্কী নোটিফিকেসন ষ্টে তৌগদবনি। মণিপুরী লোলবু অসাম লৈঙাক্কী ওফিসল এসোসিএট লেংগ্বেজ ওইনা লৌশিনগদবনি। দ্রোপ পোষ্ট অথুবা মতমদা রেগ্যুলরাইজেসন তৌগদবনি। দ্রোপ পোষ্টতা রিটায়র্দ ওইগদৌরবা ওজাশিংদা ৱান টাইম ফাইনান্সিএল এসিষ্টেন্স ওইনা লুপা লাখ ২০ পীগদবনি। মণিপুরী মিদিয়ম স্কুলগী অমসুং মণিপুরী লোলগী ওজাগী ভেকেন্সি পোষ্টশিং অথুবদা মেনশিনগদবনি হায়নসু ৱারেপ্পখি হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

তেংবাংখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৭ (ঐচ এন এস):

কোভিদ-১৯ পেন্দেমিকনা মরম ওইরগা শুফম নোম্ফম খঙদনা লৈরিবা খম থেংনা ৱারবা ইমুংশিংদা এস কুলা ৱিমেন’স কোলেজ সপোর্ট ফোর কোভিদ পেন্দেমিক হায়রিবা সপোর্টগ্রুপ অসিনা অনীশুবা ফেজকী ওইনা খনগৎলবা ইমুং ৪০দা শেল য়াওনা চেঙ, হৱাই, আলু, থাউ-থুমনচিংবা পোৎলমশিং মতেং পাংখ্রে।

থৌরম অদুদা সপোর্টগ্রুপ অসিগী এদভাইজর ডা. দল্লিয়ু কুঞ্জরানী, কোওর্দিনেটর ডা. দল্লিয়ু সুমোবালা য়াওনা গ্রুপ মেম্বরশিং ঐচ রোনিবালা চনু, সী ঐচ বিদ্যাকুমারী, সঙ্গিতা, সোবিতা মোংজম, এল প্রিয়া, গীতাম্না অমদি অতৈগ্রুপ মেম্বরশিংগা লোয়ননা ইমুংশিং অদুদা হকথেংননা চৎতুনা পোৎলমশিং অদু পীখি।

ꯑꯣꯏꯜ ꯗꯤꯄꯣꯠ ꯃꯂꯣꯝ / OIL DEPOT MALOM
চাওথোরকপদা ওইথোক্লরোইদবা তায়োন্নবা লমগী মমল

Tulihal Airport শেমগৎলকপা মতমদগী হৌরগা Imphal International Airport ওল্লকপা ফাওবদা মালোম তুলিয়াইমা, তুলিহল অমসুং নক্লবা খুলশিংগী প্রজাশিংনা লৈফম অমসুং লৌউফম লৈতবগী অৱাবশিং মায়োক্লরক্লি। মরকসিদা অমুক Oil Depot অমসু মালোমদা থমজিল্লক্তুনা মালোমগী প্রজাশিংদা অমুক্কা হন্না অৱাবা চৈথেং পীরি। Oil Depot অসিদি অতোপ্পা মফম চাবা অমদা থন্নম্বসু ময়াবনি। ফম্বা চল্লগা হীপ্পা চল্লি হায়নবগুম Rail Fed Oil Depot, Malom চাওথোক্লবা অনৌবা, অহেনবা লম 9.029 acre লৌশিন্নবা Indian Oil Corporation Ltd. না হায়রকপদগী Govt. of Manipur, Secretariat Revenue Department Letter no. 4/20/LA/2015-Com(Rev) Pt. dated 26th June, 2020 গী মতুংইন্না Village no. 1- Malom Tuliyaima অমসুং Village no. 2- Malom Tulihal গী Market Value of Land (হৌজিক-হৌজিক্কী চানবা লমগী মমল) লেপ্লে।

য়াম্না ঙক্লিবদি Oil Depot Malom গা থংননা অদুগা Tiddim Road কসু হেক থংননা মনিং থংবা মায়কৈদা লৈরিবা Village no. 2- Malom Tulihal (Homestead land/ ইংখোল)গী মমল অসি Manipur Govt. না Sq.ft তা লুপা 85.52 দা লেপ্পী। Homestead land গা থংননা Oil Depot কসু হেক থংননা লৈরিবা Village no. 1- Malom Tuliyaima (Agricultural land) অসিনা Sq.ft তা লুপা 23.67 তা লেপ্পী। Tiddim Road কী নাক-য়েৎতা লৈবা ইংখোল নৎত্রগা লৌফমশিংগী মমল Sq.ft তা লুপা 3000 দগী লুপা 5000 ফাওবা পীরবা মতমসিদা Govt. না লেপ্লিবা Sq.ft তা ইংখোলগী লুপা 85.52 লৌফমগী লুপা 23.67 অসিনা Pattadar শিংনা করম্বা অনৌবা ইংখোল অমসুং লৌফম লৈবা ফংগদগে? মসিদি নাপ চাদবা মথোং-হুক্তবা থবক্লি। অচৌবা অশোয়বা অসিদা Pattadar শিংনা তুমিন্না খক লৈথোক্লোই, ঈরাং হৌনবা বার্তন তৌবনি। Govt. of Manipur, Revenue Dept. dated 27th February, 2019 দা থোকখিবা Notification no. 4/27/LA/2018-Com(Rev) গী মতুংইন্না মালোম তুলিয়াইমা অমসুং মালোম তুলিহলদগী BG siding at IOCL's POL Depot at Malom গীদমক্তা 16.30 acre গী লম অমগসু অমুক হন্না লৌশিন্নবা হোৎনরকপদা Pattadar শিংনা পেন্দবা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি। IOCL গী অপান্বা মতুংইন্না লৌফমশিংগী লৌয়াই-খায়দুনা লৌশিল্লগা লেমহৌরিবা মচেৎশিং শীজিন্নবা য়াদনা লৈহৌবা অদুগা লমগী Valueসু মতীক চানা লেপ্পীদবা পূন্নমকসিনা লৌমী প্রজাশিংদা খম থেংনা অৱাবা মায়োক্লহল্লি।

অমরোমদা, চহী ২গী মমাঙদা NH-102 পাকথোকপদা শোকপা মফমশিংগী লমগী মমল Govt. of Manipur, Revenue Dept. না 12th June, 2018 তা লেপখি। Lilong, Chaopok, Thoubal, Wangjing, Khongjom নচিংবা Village 19 গী লমগী মমল Homestead land গীনা Sq.ft তা লুপা 1200 ফাওবা অদুগা Agricultural land গীনা Sq.ft তা লুপা 600 ফাওবা পীখি। চহী ২গী মতুং (26th June, 2020) দা ইম্ফালদগী Km 7-8 দমক লাপ্পা NH-150 গা হেক থংননা লৈরিবা Village no. 2- Malom Tulihal (Homestead land) দা Sq.ft তা লুপা 85.52 অদুগা Oil Depot কা হেক থংননা লৈরিবা Village no. 1- Malom Tuliyaima (Agricultural land) না Sq.ft তা লুপা 23.67 তা করম্না লমগী Value লেপ্লিবনো?

Govt. of Manipur, Revenue Dept. না লমগী মমল খঙনা-খঙনা খঙশিন্নদবা লৌমী প্রজাশিংবু নুংশিবীদবা তৌবীগনু। Right to Fair Compensation and Transparency in Land Acquisition, Rehabilitation and Resettlement Act, 2013 গী মতুংইন্না affected person শিংগী অৱাবা খঙবীয়ু, অচুম্বা মরম চাবা লমগী মমল লেপ্পীয়ু। Rehabilitation গী মতীক চাবা থৌরাং লৌখৎপীয়ু। Pattadar শিংগা উন্নদুনা ৱারী শানদুনা য়াম্না থুনা ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনবীয়ু।

অরোইবদা হঞ্জিন-হঞ্জিন অৱাবা মায়োক্লদুনা লাক্লবা মালোমগী প্রজাশিংগী য়েংবীদুনা Village no. 1- Malom Tuliyaima (Agricultural land) গী লমগী মমল Sq.ft তা লুপা 500 দগী তাদনা অদুগা Village no. 2- Malom Tulihal (Homestead land) গীনা Sq.ft তা লুপা 1000 দগী তাদনা লেপ্পীনবা Govt. of Manipur, Revenue Dept. কী পূক্নিং চিংশিঞ্জরি।

Sd/- **K. Meghachandra Singh**
Secretary, JAC Against the Acquisition of 16.30 acres land.

HL-P/7467/28



MANIPUR UNIVERSITY
CANCHIPUR : IMPHAL

NOTIFICATION
Dated, the 27th August, 2020

No.MU/VI/17/2017/Admn.I:/197 It is hereby notified to all concerned that the filling of examination form for various Post Graduate Terminal Semester examinations, 2020 should be done online through Manipur University website www.manipuruniv.ac.in/examform2020. Candidates should follow the following three steps for online examination form submission.

1. The form is to be filled in by the applicant after payment of requisite examination fees through online.
2. After filling up, the applicant can download in the PDF format.
3. The downloaded form and the fee payment receipt should be sent directly to the concerned HOD’s **E-mail/WhatsApp** number.

Details of the examinations fees are enclosed at Annexure – I, II & III.

The last date for online submission of the filled in form is 3rd September, 2020 for 4th Sem MA/M.Sc./M.Com./MLIS/MPE and 5th September, 2020 for MCA programme.

Sd/- T. Shantikumar Singh
Deputy Registrar (Admn.)

HL-B/6336/28

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR; BISHNUPUR
Ref :- Mutation Case No.133/SDC/Bishnupur, 2020

Thoudam Apabi Devi, W/o, (Late) Th. Kala Singh of Toubul Mayai Leikai ... Petitioner
-Vs-
Thoudam Kala Singh S/o, (Late) Th. Ibobi Singh of Toubul. ... O.P.

[illegible] / NOTICE
Bishnupur, the 27th August, 2020

Under Section 46(3) of MLR & LTR Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি Thoudam Kala Singh S/O, (L) Ibobi Singh of Toubul গী মিংদা পানবা খুল নং 36-Toubul গী Patta No. 25 (Old)/ 689 (new) C.S. Dag No. 75 গী 0.8 acres চাওবা Phourel অসিগী pattadar মৃত্যু ওইখ্রে মরম অসিনা মথক্কী petitioner গী মিংদা নামা ওনবিরো হায়না দরখাষ্ট থারক্লে মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা কনাগুম্বীশিংনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেনা অপতি (য়েৎপা) য়াগনি করিগুম্বা য়েৎপীহৌদ্রবা তারবদি মতুংদা লাকপা অপতি লৌজরোই কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চথরনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector, Bishnupur**

HL-P/7466/28

[illegible]/ তৌবীমল খঙবা উৎচরি

সুধাকর

সগোলবন্দ খম্নাম লৈরক, আই টি আই মনাক, ইম্ফালদা লৈবা লাইশ্রম সুধাকর (শামু) (অপোকপা নবকিশোর পদ্মা শ্রী এৱার্দী)না লায়েংবীবদগী ঐগী ইচানুপী রোসি কিমনৈথেম হাওকিপ, লাঙ্গোল হাউজিং কমপ্লেক্সতা লৈবগী কিদনিদা লৈবা (4 mm) গী নুঙ ফহনবীরে। ঈশ্বরনা মাবু থৌজাল পীবীবা ওইসনু লোয়ননা পুন্সি শাংনা হিংহনবীসনু।

Sd/- **Dr. Zamkhokhai Haokip**
Spring Villa Langol Housing Complex

HL-P/7464/28

[illegible] / ‘পাউচেগী থোঙদা ওজা ABDUL HAK পু থাগৎচরি’

ঐহাক পাইলসকী অনাবনা খোঙ হাম্বা মরক-মরক্তা ঈ য়াওবা, শৌজগী অকোয়বদা পোমথোরকপা অমদি শোকপদা নাবা, অমাংথোঙদা হাক্লৎচবা, ব্রি-ব্রি চৎপা, অমাংথোঙ মপান্দা চাথলগা থুপ্পা, মচুম তারকপা, খোঙ হাম্বদা য়াম্না শাবা, পূক খোংবা, খ্বাঙ নাবা অমসুং থবাক ফুনবা অসিনচিংবা অনাবশিং অসি মণিপুরগী মফম কয়াদা চৎতুনা লায়েংজরুরে, ফবা লৈখিদে। মমৈথেংদা ওজা অব্দুল হক, Contact No. 8794429681 অমসুং 8014623756 কী মনাক্তা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী পাইলস মপূং ফানা ফজরে, হকচাং নুংঙাইজরে। মরম অদুনা ওজাবু ঙমখে লৈতনা থাগৎচরি।

লায়েংফম :-

1. Wangoi SBI Awang, Near Oil Pump (6 am to 5 pm)

থাগৎচরিবা : **S. Ojit Meitei**
Keishamthong Hodam Leikai

HL-P/7388/28

[illegible]/নুংশঙ (পাইলস) ওপরেসন তৌদনা ফহল্লি

Naorem Ibomcha

নুংশঙগা মরী লৈনবা লায়ওং খুদিংমক :- মপান্দা পোন্বা, তংবা, ঈ তাবা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, অমাংথোঙ চোন্থবা, নাই চারগা পোন্বা অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেষ্টুলা), মনুংদা পোন্বা (হেমোরোয়র্দ), হাক্লৎচবা অদুগা খোঙ হাম্বা য়াদবা অসিনি। অদুগা অতোপ্পা লায়ওং খরনা হকচাংদা তাং-তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ-খূৎতা চিকপা, পোন্বা, পংথবা-শিথবা হকচাংগী শরুকশিংদা শিংলি-নাওরি নুংঙাইতবা হায়রিবা লায়ওংশিং অসি ফহন্নীংবা লৈরগদি হংবীনীংবা লৈরগদি অমুক্তং লেংথোকপীরক্তুনা তানবীয়ু।

লায়েংজরিবা - **Naorem Ibomcha Meitei**
Heingang Awang Leikai
Contact Nos. 8014023792/6009147645

HL-B/6333/27/08-26/09

PRESS NOTE

WEBINAR DATED 27th AUGUST, 2020
ON
“FACELESS ASSESSMENT SCHEME”

Imphal, dated the 27th day of August, 2020

The Income-tax Department is conducting nationwide webinars on the “Faceless Assessment Scheme”. In continuation of the same a Webinar was conducted by the O/o the Principal Commissioner of Income tax, Jorhat & Shillong under the guidance of Smt. Kavita Jha, Principal Chief Commissioner of Income-tax, NER, on 27th August 2020 with various stakeholders viz Taxpayers, Chambers of Commerce, Trade and Industry Associations, Income tax Practitioners, etc. of Jorhat, Manipur, Nagaland, Shivsagar and Golaghat to explain the salient features of the “Faceless Assessment Scheme”, announced by the Hon’ble Finance Minister in her Budget Speech on 5th July 2019. The Hon’ble Prime Minister launched the platform for “Faceless Assessment Scheme” on 13th August 2020 to ease compliance burden, to increase fairness and objectivity in the assessment process and to ensure fair, courteous and judicious treatment to the tax payers.

The purpose of this webinar was to increase awareness about the Faceless Scheme amongst the stakeholders and to obtain feedback including queries and suggestions from them for communication to the Central Board of Direct Taxes.

The webinar, hosted by Shri Rajkumar Haridas, ACIT, Imphal started with the welcome address by Shri Rahul Karna, IRS, Principal Commissioner of Income tax, Jorhat and Shillong, who informed the participants about the purpose of conducting the Webinar and about the new “Faceless Assessment Scheme, 2020”. A power point presentation was made, explaining the various features of the Scheme which would lead to anonymous and electronic assessment without human interface, where the Assessing Officer and the Assessee will be sitting at different corners of the country and would not know each other and there will not be any physical interaction between them. In this scheme there will be a single point for all communication with the taxpayer and the different functions of the assessment would be handled by a team of officers sitting at different locations. The legal fame work and structure of the new system of assessment and Role of National e-assessment Centre and Regional E-assessment centers as well as Residual Hierarchy was discussed at length.

Shri Rahul Karna, IRS, Principal Commissioner of Income tax, Jorhat and Shillong initiated the question answer session, which was interactive and the answers to the queries of the participants were given by Shri Rajkumar Haridas, ACIT, Imphal and Principal Commissioner of Income tax. The stakeholders also provided valuable suggestions.

Shri Rahul Karna, Principal Commissioner Income Tax, Jorhat & Shillong, assured the stakeholders that the newly implemented scheme and measures would go a long way in creating a transparent and tax payer friendly environment and Honouring the Honest.

HL-B/6335/28

SARASWATI INSTITUTE OF
MANAGEMENT & PARA-MEDICAL SCIENCES
Opp. to 6th IRB, MPTC Pangei, Imphal East
Affiliated to Manipur University & Approved by the Ministry of HRD, New Delhi
Contact No. : 98565 75163 / 94022 33554
Email : plusphijam27@gmail.com www.simpsimphal.com

100% Job placement
ADMISSION NOTICE
Estd. since 2016

B.Sc. (MLT, RIT, OTT)
B.Sc. Forensic Science
Diploma in Pharmacy
Diploma (MLT, RIT, OTT, DIALYSIS)

Last date of Form Submission 10th September 2020

HL-B/6322/20/08-19/09 (alt)

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।